ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯸, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯱꯳ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ওক্টোবর ২৮, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ২১৩ শুবা মশীং

# পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফম

### *পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্লা শরুক য়াফম থোকই*

দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা লৈবাক্কী ওইবা অরুবা ইস্যু অমা লাকপদা মরী লৈনরিবা লৈঙাক অদুদা পূম্নমক ইন্থোকপগী মহুত্তা পূন্না থৌদাং য়ামিন্নবগী চৎনবী অমা লৈ। চৎনবী অসি য়াম্নমক ফজবা অমসুং তঙাইফদবনি হায়না লৌই। ওপোজিসন হায়বসি রুল্লিং পার্টিগী মায়োক্তা মতম চুপ্পদা লৈগনি হায়বা লৈতে। ওপোজিসন অমসুং রুলিং হায়বসি মীয়ামগী য়াইফননবা অমসুং মীয়ামগী থবক তৌনবা লৈবা পার্টিশিংনি। মরম অদুনা মীয়াম্না অৱাবা তাগদবা নৎত্রগা খুদোংচাদবা মায়োক্লগদবা তানফমদদি রুলিং অমসুং ওপোজিসন হায়বসি পূন্না থবক তৌমিন্নবা য়াই। মসিদা কনাগুম্বনা পোলিটিক্সকী খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনবা তারগদি থৌওং অদু অচুম্বা নত্তে। লৈঙাক পুরিবশিংনসু লম খুদিংমক্তা লৈঙাক্কী থৌদাংনি হায়দুনা লৈথোকপা চুমদে। অরুবা ইস্যুশিংদদি পার্টি পূম্নমক খূৎশম্ননা চৎমিন্নবগী কান্নবা লৈ। মরু ওইনা পার্লিয়ামেন্ট য়ৌগদবা, পার্লিয়ামেন্টতা ভোট লৌনগদবা ওইরগদি পোলিটিকেল পার্টিশিং পূন্না চৎমিন্নবনা অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎপা ঙম্মী অমসুং ইস্যুশিং অদু য়াম্না লায়না থেংনবা ঙমগনি। মিৎয়েং অসিদা লৈঙাক পুরিবশিংনা করিগুম্বা মতমদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফম কৌদুনা ৱা খন্নবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি হায়না লৌদবা ঙমদে। মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়ামরুম তাদুনা লৈরি। ইস্যুশিং অদুগী মনুংদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) গী মরক্তা চত্থরিবা ইং-তপ্পগী ৱারী শান্নবা, মসিনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা শিংনরকপা হায়বসিসু অমনি। অতোপ্পা ইস্যু খরদি মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাক অসিগী সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বা দিমান্দ, এমপ্লোয়শিংগী তরেৎশুবা পে কম্মিসনগী তলব পীয় হায়বা ৱাকৎশিং অমসুং মণিপুরদগী অফম্পা লৌথোকপগী ৱাফমশিং অসিনি। ৱাকৎশিং অসিগী মনুংদা পোলিটিকেল পার্টি পুম্নবগী মীফম কৌদুনা ৱা খন্নবা য়াবশিংদি সেন্ত্রেল গর্ভর্নমেন্টকা এন এস সী এন (আই-এম) গগী ইং-তপ্পগী ৱারী শাবগী ৱারোইশিন পুরক্পমদাইদা মণিপুর কমদৌহৌবা হায়বা অমসুং অতোপ্পা অমনা সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুরনা তাল্লিবা মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নু হায়বা অসিশক্তনি। অতৈদি মণিপুর লৈঙাক্লা লৌবা ৱারেপ্পা অদুমক হায়বা ইস্যুশিংগী মীফম হায়না লৌই।

নাগালেন্দগী গভর্ণর পি বি আচার্য্যা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট কিরেন রিজেজু অমসুং আই-এমগী পিছ টোককী ইন্টরলোকুটর আর এন রবিনচিংবা মতম শাংলক্লবা এন এস সী এন (আই-এম) গী পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপগী মতম য়ৌরক্লে, ৱারী শান্নবদী অরোইবা তানফম য়ৌরক্লে হায়নসু ফোঙদোকখিবা লৈঙ্খ্রে। ৱাফম অসিমক এন এস সী এন (আই-এম) নসু অমদি আই-এমগা নকশিন্না চৎমিন্নবা সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসন কয়ানসু ৱাথোক অসি লোইশিনবগী ফীভমদা য়ৌরক্লে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) গী প্রসিদেন্ট গাইদোন কামৈনা লুচিংবা টিম অমনা মণিপুরগী নাগানা নম্না তাবা মফমশিংদা কোয়না চৎতুনা আই-এমগী পিছ টোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা পূন্না শৌগৎমিন্নসি, পূন্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়বনচিংবা পাউজেল পুবা মীফম কয়ামরুম পাঙথোক্লি। করিগুম্বা থৌদোক ৱাথোক অমা হেক থোরকপদা মীৎশিং নাশিংনা লৈননবা অমসুং আই-এমগী ৱাকৎশিং অসি মীয়াম পূন্না শৌগৎমিন্নবগী তঙাইফদবদু মখোয়না ময়েক শেংনা পল্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুর, আসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী ঙমখৈদা চাউনা শিংনবগী ৱাফম অমা থোরকই। বি জে পিগী লুচিংবশিং অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা ষ্টেটশিংগী বাউন্দরি শোকপগী ৱাফম লৈরোই হায়জরগসু করম্বা ৱাফমদা য়াশিন্নগদৌরিবনো হায়বদুদি হৌজিকসু কনামত্তা খঙহন্দনা অরোনবা ওইনা থল্লি। অসিগুম্বা তানফমসিদা ঙসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না মণিপুরদা বেজ তৌবা পোলিটিকেল পার্টি পূম্বগী মীফম অমা কৌরি। মীফম অসি ঙসি নুংথিল পুং ৩দা পাঙথোক্কদৌরি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, এন এস সী এন (আই-এম) গী মতাংদা ফম্বা পোলিটিকেল পার্টিগী মীফমশিংদা মরু ওইনা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) তি য়াও হায়বা কয়া য়াখিদে। অদুবু হন্দক্কী মীফম অসিদদি লৈঙাক পায়বদসু য়াওমিন্নরিবনিনা চীফ মিনিষ্টরনা কৌরিবা পোলিটিকেল পার্টিগী মীফম অসিদা এন পি এফ শোয়দনা য়াওরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। ইস্যু অসি পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্কীনি। পোলিটিকেল পার্টিশিংনবু মত অমত্তা ওইনা ঐখোয় পূন্না লৈমিন্নগনি, মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈদা শিংনরকপা য়ারোই, ঐখোয় পূন্না থেংনমিন্নগনি হায়বা ৱারেপ অমা লৌবগা লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টি পূম্বগী ওইবা মীহুৎ কাঙবু অমা দেল্লিদা চৎতুনা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টর উনদুনা মেমোরেন্দম অমা পীহৌবা চুমগনি হায়না খল্লি। ফীভম অসি তাহনবদা করি অকায়বা লৈবগে হায়বা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা খন্নহন্নীংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### ঈশিং ঈচাউদি থিংবা ঙল্লোই, এক্সিদেন্টদি হন্থহনবা ঙমগনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**অনৌবা** লৈঙাক অমা লাকপদগী হান্নদগী পুমতোপ তোপ্পা মওং অমদা লৈঙাক চত্থরকপা মীয়াম্না উবা ফংই। মীয়ামগী মীহুৎ খুদিংমক অঙম্বা থাক্তা হোৎনবগী মমিসু হায়ফেৎ উই। শেঞ্জা থুমজা হন্থহন্নবা হোৎনরবসু কয়া থৌওই ৱাওইদবা লৈঙাক্কী লোইশঙ খরা অদুমক লৈরি, শেল চাদে হায়রবসু পীরুরিবা মীদুনা হায়দোরক্লগা ৱা ৱা অদুম লাওই।

অনৌবা লৈঙাকপু লুচিংবিরিবা ইকায়খুম্নজরবা চীফ মিষ্টির অচুম্বা খরদি তৌগে হায়বগী ৱাখল্লোন মীয়াম্না উবা ফংই। মরকসিদা নোং কা হেন্না তাদুনা তোয়না ঈশিং ঈচাউ থোকহনবা, লম্বী সরক, য়ূম-কৈ থুমহনবনচিংবা মহৌশানা পীরকপা মীওইবগী শক্তিনা ঙাকথোকপা ঙমদবা সমস্যা অমসু অনৌবা লৈঙাক অসিদা নল্লরি। ওল্লকপা চহীদা নোংজু অসিমক থোল্লবদি চপ মান্নবা ফীভম ওইগদৌরি, মতমদুদসু করিসু তৌবা ঙল্লোই। মসিদি অচৌবা শেল য়াম্না চঙবা থৌরাং অমগী মথৌ তাগনি, ঙহাক ঙহাক্কী ওইবা থৌরাংনা হেন্না হেন্না খুদোং থিরক্কনি।

হৌজিক অচৌবা সমস্যা অমা মাঙদা তারিবদি ইম্ফাল অমসুং ষ্টেট হায়ৱেগী ফীভম অসিনি। লৈঙাক্লা থোয়দোক্লা পূক্লিং চিংশিল্লে হায়বদি পাউচেশিংদগী হায়ফেৎ খঙবা ঙল্লে। অদুবু থবক্তি অদুক হাক্লা খুমাঙ চাউশিনবদি উবা ফংদে। ত্রাফিক্কী এস পি অমা হাপ্লে হায়বসু তাজরে, সিফাই মতিক চানা লৈরব্রা হায়বদি খঙদে। গড়ী মশিং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা খুয়াথোং, কংলা গেট, নিত্যাইপাৎ চুথেক, হেদ পোষ্ট ওফিস, সেক্রেটেরিয়েট মমাঙ, শিংজমৈ বজার, ক্বাকৈথেল, খোংনাং কারক অসিনচিংবা মফমদা ত্রাফিক পুলিস ৪/৫না মফম অমদা কন্ত্রোল তৌবা ঙমদে। মণিপুরগী মী অয়াম্বা গাড়ী থৌবগী কাঙলোন চপ মানা খঙদে। চহী নৌরিবা অঙাং কয়া গাড়ী থৌদুনা চৎলি, হেলমেট উপ্তবা মশীং য়াম্না উই, থানানা করিগুম্বা কান্দা ফাদুনা ফাইন লৌই। ওটো রিক্সো থৌবা কাঙবুসু কাঙলোন নাইদে, খাম্নিংবা মফমদা খাম্মী, মখোয় মশেল লমজেল তৌই, করিগুম্বা কান্দা ওটো রিক্সো ৩/৪ লম্বীদা খন্থ্রাংননা থৌবা থেংনৈ। মেজিক থৌবা কাঙবুসু অমহানি চপ মান্নে। চহীসিমা নোংজুথা ওইরবনিনা টিদ্দিম রোদ অসি এয়রপোর্ট মপা হেক লান্থোকপদে পোটহোলনা খুরক হাংদ্রে, মোইরাং লমখাই ফাওবদি লম্বীসি নীংবা কায়নীংঙাই ওইরে। অদুবু লম্বীসিদা চেল্লিবা বস, টাটা ৱিঙ্গরগী খোঙজেলসিদি অঙকপনি, এক্সিদেন্ট থোক্লিংঙাই য়াম্না ৱাংনা লৈ।

মীচম অমা ওইনা হায়জনীংবদি, ত্রাফিক পুলিসতা সিফাই মতিক চানা থন্বীয়ু, মশা খিংবা, মমিৎ মমায় শিংবা এস পিনা লুচিংহনবীয়ু, চৌক্রিদা শুম ফমদুনা লৈরোইদৌবা, ত্রাফিক পুলিসতা অহেনবা শক্তি পীয়ু, খুদক্তা চলান কক্তুনা ফাইন তৌবা ঙম্বগী (মতম খরা টৈষ্টি তৌদুনা য়েংবা কায়দে, ষ্টেট খরদা তৌবা থেংনৈ), হেলমেট উপ্তবা, গাড়ী থৌরিঙৈদা ফোন তৌবা খুদক্তা ফাইন তৌবা, অচৌ অশাংনা সাইদ লান্না সাইরেন খোংলগা থৌবসু ফাইন তৌবিয়ু, টিদ্দিম রোদতা অয়াঙবা খোঙজেলদা থৌরিবা বস, ৱিঙ্গর কন্ত্রোল তৌবা ঙম্বা মথৌদা পূক্লিং চঙবা ও সী নম্বোল, বিষ্ণুপুর অমদি মোইরাং পুলিস ষ্টেসন্দা থন্বীয়ু।

ঈশিং ঈচাউদি থিংবা ঙল্লোই, কুমজা ২০১৭তা রোদ এক্সিদেন্টতা শিখিবা মীগী মশীংদগী শরুক মরি থোকপগী অহুমদি হন্থহনবা ঙমগনি থাজজে।

*অদোমগী - থীঙ্কোন মোইরাংচা*

# হাওসি ভক্তা ওইজরোইকো ঐদি

**নোংয়াই** মতুংদনি হোন্দা এক্টিভা হাওসফুল প্রাইজ ওইবা হাওসি প্লে অমা ঐনা মীকপ থোরকপদা পায়খৎচরিবা অহুমশুবা মরু অসিনা হায়না লাউবা তারকপগী ৱানি, ঘড়ী য়েংবদা নোংঙাল্লমদাইগী পুং ২ তাদৌরল্লে। নুংথিলদগী লাউবা হৌহৌবদু ওইরল্লে, নুমিদাংৱাইরম পুং ৪দা বম্পর দ্রো লাউনি হায়বা হাওসি অদুনি খঙলকই।

আইস! বালোহে, থৱায়দি হাইফেৎ য়াওবজাৎনিহে, লিংজেলনা মান্নজরিবা ঐখোয় অসে খল্লুই। লৈবাক্কী লৈতবা, লায়রবা, অৱাবা থোইনা ফাওবিদে ঐখোয়। হাওসিদা উই ঐখোয়গী ইচিল ইনাও, ইচে ইচল, ইমা ইবেল, ইপন ইতোন ময়ামগী নুংগী ৱাখল্লোল। লৈকায় মঙা-তরাদি লুপা লিশীং হুম্ফু পীবা হোন্দা এক্টিভা মচা অমদা অহিং চুপ্পা তূমদবা ঙমনৈ। অখাং কয়াম কনগে হায়বদো। অইংবদা ফমদুনা অইং অশু কারসু অহিং অমা হাওসি লাউদুনা কয়া নুংঙাইনা লেন্থোকপা ঙম্নরিবা, কয়াদা নুংঙাইরিবা ঐখোয়নো। নুংঙাইবা হৈখ্রেদকো নুংঙাইবগী মনাইশা। ফনা ফজনা লিংজেলসু মান্নরিমাল্লে খল্লুবদা চাওথোকচৈ। হাওসিদা অহিং তূমদনা অহিং মীৎসেল খাংবা ঙল্লিবা অসি উজরুরগা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ পরিক্ষা মতমদা নুমিদাং তূমদনা লাইরিক পাবদু নীংশিংদবা ঙমজদে। অহুমশুবা মালেম-লাল নুমিদাং নোংয়াই মতুংদা লাক্লবসু মীৎশিং নাশিংবা ঐখোয়নিনা ইচা ইশু পোরগা কোম তান্না চেল্লগা লোৎপা নংগদৌরিবনি। শেম শাহৌদবগী মী অতৈনা লাকচখিবা অদুদি লৈররোই। অহিং তূমদনা হাওসি তৌদুনা লেনজবা ফংজরিবা মপোকশিং অদু কয়াগী মতিক মরাইবক ফরিবা?




তাইবঙ মী অমা ওইনা তাইবঙপানবা অসিদা অমুক্তং তান চারুদুনা পোল্লকপসিদা লৈকায়গী ইরমদমগীনি হায়দুনা মমিংদংদি ফজবা লূপচাওরা লূপনাওরা অমতং মেম্বর য়ামগে য়াম্মোইরা লিংখৎপা ঙমজরবা অমদি য়াম্নমক তোয়না নৎত্রবসু অথিংবা কোমথোক্লিঙৈ হাওসিদু চহী অমদা তরারক্তগী তাদনা লাউবা ফংজরবা তাইবঙ মী ওইনা মালেমদা খোঙদাজরকপগী পুন্সি মহয় নীক নীক লাওনা য়ানগদৌরিবনি। অতৈদি খঙদে ঐদি মঙনি খঙদে হানি খঙদে মসিমক য়ৌনা খঞ্জবা য়াওখি। হাওসিনা নুমিদাং তূম্বা য়াহন্দ-য়াহন্দ্রগনা খনবসু অমুক হেল্লি।

হাওসি লাউবদা অৱাংবা দিগ্রী পায়রবা ওজাসু য়াম্না লৈনরে। মখোয়না লাউবা ইংলিস তাবদা ইশাসু ফনা য়াম্না ইংলিস হৈগৎচৈ, হান্নদি ঐ ইংলিস ইহৈ হৈরমদে। হাওসিগী ওজাশিংদা অংগ্রেজি খপ্পা ঙম্বা ময়ামসিদা নোংঙাল্লমদাই পুং ২ তাবদা লাউথরকপসি অসেমগী ইনে ইবেতোন নুমিৎ থোক্ত্রিঙৈদা লানখিবনি চহী অনীরোমগী মমাঙদা। ‘নেক্স, আই পিকপ য়োর লক্কি নম্বর, টু এন্দ ফোর ত্বেন্টিফোর ... এনি ক্লেইম’। অয়ূক চাকচামাঙদগী লেপ্তুনা হাওসি লাউদুনা ঙমখৈ লৈতনা নুংঙাইবা হৌরে ঐখোয়, মায়কৈ কয়া কয়াদগী হাওসিগী খোইমুশিং, য়ামখ্রবা জেন্টলমেন, হৌজিক্তি লেদিজ ময়ামসু হাওসি য়াওনরক্লে, নুপীনা লগাউ খাওবসু উনরে, কায়দে নুপী নুপা হীরম খুদিংদা মান্নবা তাবনি, নুপীনা লুদু শান্নবদসু ৱা হায়নরম্মী হৌজিক্তি কৈথেল ফন্বীসু পোৎলক্তা কষ্টমর ঙাইনা ঙাইনা লুদু শান্নদবা য়ারক্ত্রে, চুম্নগী লুদুসু নত্তে স্মার্টফোনগী লুদু শান্নদবা ঙল্লক্ত্রে। হাওসি য়াম্না পাম্বা লমনি। য়েম্বারাবা, ঙানু, শরেংফাওবা হাওসিগী প্রাইজ ওইনা লাউনরে। হায়জনীংবা অমগা লৈজরি। ইলেক্সন অসি মীসু য়াম্না নুংশিনদে, শেলসু য়াম্না চঙনৈ, মতমসু য়াম্না মাঙনৈ অদুগী শরুক হাওসি য়াম্না পাম্নবা লমনিনা হাওফুলনা এম এল এ ওইনা প্রাইজ পীরবদি করি অকায়বা লৈ? মসি য়াম্না নুংঙাইদৌ মাল্লি। ঐগুম্বা লায়রবা মচাসু মীরেপ ওইবা ঙমদবসি মসিগীসু সোল্ব তৌরনি। ঐসু মপোকসিদা হাওসফুল ফাওরদি এম এল এ ওইদুনা অমুক্তং সেক্যুরিটি গার্দকা লোয়ননা মুক্তুনা চৎপসু য়াইনা?

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা

মণিপুরনা হাওসি হৌদোকপা নৎত্রবসু হাওসি কাউথোকপদি ঙল্লোই। নম্ফু হাফুদা হাওসি মুথৎখিবদা ঙাওদুনা ফৈদুনা মুরুম মুরুম শোন্দুনা চৎকদবা মী ফনা য়াম্না থোরক্কদৌবগা মাল্লি। এসোসিএসন লিংবা তান্নরক্কনি, এসোসিএসন মুৎনরক্কনি। হাওসিগীদমক মোন শেংনা, পূক্লিং হকচাং লুপচনা, য়াইবি-থৱায় কৎচরিবা হাওসি ভক্তশিংদা পুন্সিগী হিংবগী অর্থ লৈরক্লোই। লৈবাক্কী সেবাগীনি হায়দুনা মীঙোন্দগী শেল মুল্লুবা য়াবা নত্তে। লগাউ তৌরসু লিচৈ চানি, অশাবা নোংমৈ পায়দুনা এস আই শাদুনা শেল খাইরুবসু কনাগী মীনুংশি ফংগনি। অদুনা হাওসি ভক্তনা হয়িংখোইগুম্না য়োল্লবা মণিপুরদা হাওসিনা মফরে।

হাওসি লাউবদগী ইংলিস লোনবা হৈনীংলকপা ইচিন ইনাও খরা অদুম ময়াওনরমগনি। হাওসিগী ইথিল অকনবা লমনিনা। ইরমদম অসিগী ওইনা, সোসিএল ৱার্কর ওইগেদি ইহান হানবদা হাওসি কান্থোক্লম্বা য়াবা ৱা নত্তে। হাওসিদা খুৎমারুবদগী শেলগী মগুণ মহাও নৌনা খঙলকপা মীসু লৈরমফম থোকপনি। হাওসিনা তূম্বা য়াহল্লক্ত্রবা অকায়বা পীরক্লবদি ঙাঙনীং ঙাঙনীংবা ঙাঙবা চৈনীংলকপা পোকপা মীসু য়াওদবা নত্তে। হৌখ্রবা মায়েপ অদু লৈজবী থাগৎলগা চৎনবী অমগুম্না মিনি দ্রো অমত্তংগা মিনি দ্রো অমত্তংগা হায়দুনা নোংঙাল্লমদাই ফাওবা লাওরবদি জাৎ জাৎ হায়নিলকপা মশানা তারকপনি অসিনচিংবা।

গ্যাও গ্যাও নিক্তুনা হাওসিবু নোং ঙানফাও তৌনরিবশিং অসি মখোয় মশেল অদুম তুমিন্না লাউজবদা কনানা অথিংবা পীবা লাউথোকখিবা লৈবজাৎনো? মশা মতোমতা মখোয় হাওসি ভক্তা মখৈদা তূম্বা কায়জবদা করি অকায়বা লৈবগে? নুমিৎ লৈরিঙৈদা লাউনি হায়বা হাওসিবু নোংঙাল্লমদাইদা লাউবদা য়ারিবা মীয়ামসিসু অঙকপনি। লৈকায়গী চাওখৎ থৌরাং পাম্বা লূপশিংনা মতমগী মমলদি খঙনদে। ঐখোয়সু মতম মাঙবা পাম্মুবা লৈতে, অরাংবগী অমাঙবা খনবিদে। মতম মাঙবা পাম্মুবদি মী ওইনীংবা খরতনি, য়াচঙবদা লাউগদবনা নুংদাং মতুংদা লাউবদা মখোয়দনি মখোয় মরীল প্রোক প্রোক চাক্লা হাওসিবু অঙাংগী য়েনখাদা লৈরম্বা অমাংবগুম খনগদবা।

# দিৱালি-লক্ষ্মী-পুলিস

**নবকুমার ওইনা**

**মরৈবাক** নুংশিবসি টিম অমা ওইনা শাগৎপা ঙম্নদ্রিবা লমদমদা মাগী মাগী মদোম ৱাজাউ ঙাঙনরি। মীশিংসি মোরেলগী ৱাসু মঙাঙনৈ, পৈশাগীসু ঙাঙনরি। পুলিসনা করম তৌরিবা, অঙকপা অমা য়াওশিল্লক্লি। পূম্নমকসিবু পুল্লিবা লো হায়বদুনা করিনো খঙজিল্লক্ত্রবদি লাই লায়রি, পৈশা লায়রি, লৈবাক লায়রি, ঐখোয় হায়রিসিবু কনা-কনানো খঙজিল্লক্ত্রে। নাৎ কনবা ঙল্লক্ত্রবা, শেন্থোক লৈনা হিংবা ঙম্নদ্রবা, লৈঙাক্কী লো হায়বদু ঙাক্লরক্ত্রবা খুন্নাইদুনা লাই নীংলগা লৈবাক খুন্নাই অমা শাগৎলগা শেমগৎলগা হিংলি হায়বা য়াফম থোক্তে।

মেরা থাগী থাখায় অমা অহিংদা মৈরা কৎতুনা অরিবা নাৎ অমা ঙাক্তুনা থম্নবগী অরোয়বা লাইথৌ পাঙথোক্লে। হিয়াঙ্গৈ নীনি পানবদা নিংঙোলশিংগী চাক্লৌবা মাঙওইননা নোংমা পানবা নুমিৎতা লাইনিংথৌদা অথেনপোৎ কৎনৈ। মপানগী লাইনীংগী ওইনা দিৱালিগী মৈরা কৎনৈ, বোম্বুলা থানৈ। মৈগী লৈতেং তৌরিবসি পৈশা পায়নীংবগী ৱাখল অমা ইরোয়নরি। লক্ষ্মী লাৎপনি খন্নৈ। লাই নীংলগা পৈশা পায়রদরা? পৈশা পায়বশিংনা পৈশা লৈবগী বোম্বুলা থাবনি, পৈশা পায়দবশিংনা বোম্বুলা থারগা পৈশা পায়রক্কদৌবদি নত্তে। নুমিৎসিদা মৈরা য়াম্না কৎলগা পৈশা য়াম্না পায়গদৌবসু নত্তে। থাজনরিবসি মীওই খরগী লল্লোনবা নুংঙাইনবা শাগৎখিবা ৱারীদগী ওইগদৌরিবনি। পৈশা পায়নবা, লাই লাৎপা নোংঙাল্লগা নিংঙোল চাক্লৌবা নুমিৎ ফাওবদা চান-থক্লবা, মৈগী কুম্মৈগী শীজিন্নরিবা পোৎ খুদিংমক ইশাগী পোত্থোক য়াওশিল্লক্তরে। পৈশা তাল্লিবা মীনা কনা কনানো, মরক্তা ঐখোয় খরা য়াওরি হায়বতনি। পৈশাসু পায়নীংবা, নাৎসু ঙাক্লিংবা, থবক্তি শুদবা য়ারদরা?

দিৱালি নুমিৎতু মচন-মচা চাক্লৌবা ঙম্নবা লগাউ খাওনবা, লগাউদ্দুদা পৈশা তকখৎতুনা থানরিবনি, য়ুসু ঙাওনৈ, গাড়ীসু কন্না কন্না থৌনৈ। লৈঙাক্লদি বোম্বুলা থাবা, লগাউ শান্নবা থিংলিবনি। অশেংবগীদি মোরেল লৈবা হেনগৎনবা য়ু থকপা থিংবসু মাল্লি, লগাউ শান্নবা থিংবা ওইরমগনি খল্লি। থিংগনি হায়রিবা মীশিংদুগী মোরেলনা কমদৌবা? পুলিস কম্মান্দো য়াওই, লগাউ শান্নফমদা পৈশা খায়বা লাকই, পার্টি কুন-কুন্থ্রা শুগনি। জিপসিদা লাকই, মোটোর সাইকলদা লাকই, মী অনীখক্তা লাকপসু য়াওই। য়ুনিফোর্মদনি, এল এম জি পায়বসু য়াওই। লুপা চামঙা-লিশীংদগী লুপা কুন ফাওবা লৌই। দিৱালিদা পুলিসনা লগাউ শান্নফমদগী পৈশা খায়বসিবু লোদা য়াওব্রা, লোনা য়াখ্রবরা? করিগী লমদম অসিদা চৎনবী অসি উরিবনো? মফম খরদনা লগাউ শান্নবা মী ফাগৎলি, লগাও মরূ ফাগৎলি। করিগী ফারিবনো, ষ্টেট অসিগী মফম খুদিংদগী ফাগৎপা ঙল্লদরা? মফম মরাং খঙদনা পংতৌদা তৌরিবা করিগীনো? মদুসু পৈশা চাবা য়ানবা নত্তবরা? কনানা অফবগীনি হায়না থাজবিগদৌরিবনো? কোয়চৎ চৎলগা পৈশা খায়রিবশিং অদুগা মী ফাগৎলগা পৈশা তাল্লিবশিংগা শেল হেন্না ফংবদি মী ওইনা ফাগৎলিবদুনবু হেল্লম্বা য়ারিবনি। থাজবা হায়বসি য়াওদ্রবদি পুলিসকা লোগা করিদবু মরী লৈনরিবগে? পুলিসনা কারল তৌদুনা লৈরগা লৈবাক অদুদা লো ঙাক্কনি হায়বগী চিন খুথি অদুদি কনানসু তানিংলক্লোই। মীরা য়োংলা মফম মরাং খঙদবগী ৱা মাল্লক্কদৌরি। ইকায়বা খঙদবদগীদি লো খঙদবা অসিনা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরক্লি। মিনিষ্টরনা লো খঙদবদগীদি পুলিসনা লো খঙদবসিনা ৱাথোক হেন্না থোক্কদৌরিবনি। অনীমক্লা লো খঙদ্রবা লৈবাক্তু লৈবাক অমনি হায়বা য়াররোইদৌরিবনি।

চহী তঙ্খায় অমা হরাউ কুম্মৈদা লুপ্তুনা লৈবা ঙম্বা খুন্নাই হায়বসি মরৌশিং লৈতবনিকাক হায়বদি য়ারোইদৌবরনি। চাক্লৌবা নুমিৎকী ত্রাফিক জাম ওইবসি খুঙ্গংগী লমদসু য়ৌশিল্লক্লি। য়ূম খুদিংদা লৈবা গাড়ী খুদিং লম্বীদা থোল্লকপা হায়বসি অঙকপদি নত্তে। অসিগুম্বা খুন্নাই অসিনা তৌগেদবু হায়রবদি তৌবা ঙল্লোইদবা থবক লৈবা হৌনদে। অদুগসু মীরমগী পোৎ চারগা, মীরমগী নাৎতা ঙাওখৎনরল্লিবনি। মীসু-নাৎসু-লাইসু মীরমগী ওইরক্লবা, চাবসু মীরমগী পোৎ ঙাক্তা চাখৎলক্লগা মীগা লমগা লমদম অসিগীনি হায়বসি তাবা নুংঙাইবা ঈশৈগুম্বনি। মমিং ফাওবা হোংদোকপা ঙমদ্রিবা লমদমসিদা মমিংতগী ওইনবা লাল হৌরুদুনা করিবু কান্নগদৌরিবনো? লৈবাক লায়রি মী হান্না শেমগৎপা অমা চঙলি। মীশিং অসিনা হেন্না শাথিখ্রে, লোয়নমক নিংথৌ মাল্লক্লি, মীনাই ওইবীনবা মী অমফাওবা লেপ্লোইদৌরি। লৈবাক শেমগনি হায়বসিসু ৱাগদৌরি।

মরক অমা নোংমৈ য়াম্না কাপ্পরিঙৈ, নোংমৈকাক মুন্নরিঙৈ মতমদুদা ওইরম্লবদি দিৱালিগী পৈশা খায়বদা পুলিস য়াওরক্লবসি উরমদবসু য়াবনি। অমা তান্থোকখ্রগা অমনা মহুৎ শিনবা হায়বদু তারে। মী অমবু ফত্তে হায়রিবশিংনা হেন্না ফৎচিল্লক্ত্রে। দিৱালি তৌরিবসি লক্ষ্মী লাৎলিবনি, লক্ষ্মীগী নুমিৎতা পৈশা খোমজিনবা অসিদগী হেনবা করম্বা লাইনীং অমা লৈরিবগে? মসিদগী হেনবা লোবু লৈখিগদরা, লোনা কৈদৌনগদৌরি, পৈশা পায়রগা লোয়রে। মদুগীদমক করিগী লো শেম্নগদৌরিবনো, হান্ননা চৎনদুনসুম লৈরবসিদবু অমুক শেমদোক্কদৌরিবা করিগীনো? পৈশাসি লোনি।

পুলিস পার্সনেলশিংসু মীওইবনি ৱারমগনি। চীং-মান্দা পোষ্টিং তাবা অৱাবনি, নোংমৈ পায়বা ফংদবসু ময়াওরমগনি। পুলিস ওইরিবা মীওইশিংনা মীয়ামগা য়েৎনদুনতা লৈগদৌবা নত্তে। ফগৎনবা লম্বীদু থিমিন্নগদৌবনি, মদুদা পুলিসশিংসু য়াওফম থোকই। লৈবাক অমা চাওখৎপদা পুলিসশিংগী থৌদাং চাউনা লৈরিবনি, মদু খঙনদ্রবদি লৈবাক অমগী থৌরাং পূম্নমক অরেম্বা তারকপা য়ারিবনি। মোরেল ঙাক্তগী নত্তবদা ইটিক্কেটকী ৱাসু ঙাঙনরিবনি, তশেংনা ফজনবা হোৎনরবরা হায়বসিদি চিংনবা য়াবা থাক অমদা লৈরি। মীওইবগী ৱাখলশিংগী লেবেল হায়বা অমসু লৈরিবনি। শাওরুরবসু য়াদে, শাজৎ লিচৎ ফজবা হায়বসি খঙনদবদগী ওইবজা খরনা হুমদুনা পুনখিবদগী মীওই কয়া অমা লাই ফাওবা মীরায়রকপা য়াওনরিবসিনি। ঐখোয় পূম্নমক্লা মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবা করি লৈরিবগে হায়বসি থিমিন্নবা অমা চঙলি। তৌশিন্নবা য়াবা থৌদাং নত্তে, লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিংনা পুকচেল শেংনা থৌদাং লৌনরবদি পুলিস ওইবা খরদং চিথ্থদুনা লৈহৌবা য়াবা নত্তে খল্লি।

নিংথৌ ফাওবা লাই নীংবদা লানবা য়াওখি, লাই করিনো খঙখিদবা মাল্লকই। লাই নীংবদি তোকপু তোক্লরে, অসুম পংখুদা খুরুম্নবগী ৱাতা মঙায়রকপা মাল্লক্লি। দিৱালি নুমিৎকী লাই খূৎনীংসি লাই খুরুম্বা মাল্লক্তবসু য়াওনরি, লাইদা খুরুম্বা খুদিং লাই নীংবনি হায়বদি য়াবা নত্তে। হৌজিক ফাওবা মীওইবনা মমি ফাওবা লৈখায় তাদ্রবদি খ্বাইদগী হেন্না ঙকপা হায়বদু ওইবা তারক্লি। মী হায়বা শাসি লাইনীংখক্তনা শেন্নবা ঙল্লক্তরে। অতোপ্পা পাম্বৈ কয়া থিবা তারকপনা লৈঙাক অমা ওইবগী চৎনবী, লো, শেম্নরক্লবনি। লোদা হেন্না থাজবা থম্নরকপদগী লাই নীংবা হায়বসি লৈঙাক্কী ওইনদি তোক্লখিবা য়াওরক্লবনি। মরন্নাই ওইবা থবক্লা মীয়াম অমদা দিষ্টর্ব তৌবা য়াহল্লোইদবনি, মদুসু লোনি, লো শেম্বা হৈগদৌবনি। অনীং-অনীংবা পংতৌ তৌশিন্নবসি লো নত্তে, লো খঙবগীসু নত্তে। লাইদা পংখুদা খুরুম্বসিসু লাই নীংবা নত্তে। হৌজিক্তি লাইনীংশিংসি লোনা লাকশিল্লক্লবনি, লোনা লাইনীং শেমগৎপা তৌনদ্রবনি। দিৱালিদা লোনা করিসু তৌবা ঙমদ্রবা হায়বসি লোবু লাইনীংনা ঙম্বা তারক্কদৌরি। লমদম অমগী লোনা হেক হেক শোন্থরকপা হায়বসি মীয়ামদুগী ৱাখল লৌশিং শোন্থরকপগা মরী লৈনফম থোকই। নোংমা নোংমগী শেন্নবা ঙমহৌদ্রবদি লাঞ্জাও অমগী য়ূম্ফম থোনবনি হায়নরিবনি। মুক্লবা অমা হৌখ্রবা হায়বসি চুম্বা লানবগা অকক্লবা মরী অমা লৈবা নত্তে, অঙম্বনা অচুম্বা শকখিগদৌরিবনি। মীয়ামগা পূনবা ঙম্বদুনা অঙম্বা শক্কদৌরিবনিনা মীয়ামগী ৱারেপ অমা শেমগৎনরিবনি। লাইগী নুমিৎ ফাওবা লৈখায় তাদ্রবদি মীয়ামগী লৈখায় তাবা লম্বী অমা করম্বা মতমদা লাক্কদৌরি। অসিগুম্বা মতম অমদা লৈঙাকপা খরনা মতোমতা পংনুংদা নুংঙাইজবা হায়বসি থোইদোক্লা মহয় চারবনি হায়বা য়াখিরোই। কেবাক থোক্তুনা লৈথোকপসু য়াবা নৎত্রি।

লাই নীংবা হায়বসি শুপরিয়র ওইনবা নীংগদৌবনি, ইনফরিয়ার ওইনা পংখুদা খুরুমগদৌবা নত্তে। মতাং অসিদদি লাই নীংবা হায়নরিবসি ইরান লাল্লি। মদুদগী ওইগনি মাওইষ্টকী লমদা লাইনীংগী থবক অমত্তা মপান থোক্লকপা য়াহন্নদ্রে। ঐখোয়না থৌওইনা লাইনীং পূম্নমক খোমজিল্লগা হেন্নদুম নুংঙাইজবা ফোঙদোক্লি। বোম্বুলা থারি, মৈ থানরি, অবের তৈনরি, জগোয় কৎনরি, কাং চিংনরি, লাইগী মপোক নুমিৎশিং ছুটি থারি। চহী তঙ্খায় অমা হরাউ কুম্মৈদা মাঙনরি। য়াওশঙ থাবল চোঙবা, লাই হরাউবগী মতম শাংনা না য়ৈখৎপমখৈ মাইক পানগনি, পৈশা খায়গনি, চাগনি-থক্কনি। পৈশা তানবনা হৈক্রু মনাদা, চাদিং তৌবনা থম্মাদা হৈদোক্লি।

লৈঙাক পায়বা হায়বসি চৌক্রি শেন্নবদু নত্তে, খুন্নাই অমগী মায়কৈ লেপ্পগী থৌরাং শেন্নবদুনি। থাবল চোঙবগী মকোক চিংবগুম্না তান চানবা চোঙবদু নত্তে, সেমিনারগী ৱাঙাঙলোইসু নত্তে, লাইশঙগী মাইচৌ শাবদুসু নত্তে, মিনিষ্টরনি হায়রগা লাইদৌনা ফম্বাল কাবসু নত্তে। প্রাইম সার্ভেন হায়রগা পৈশা হুরানবশিংনা খুল্লিংবা লৈবাক অমা মরা তানা লৈরবনি হায়বসু য়ারোই। মীয়ামদগী পংহংদা হংজিন্নরগা মরী-মতা, শাগৈ-নাতৈগী মরুপ-মপাংগী শোয়দনা তৌগনি, পৈশা কোৎকনি। নৎত্রবদি মথংগী ভোট কমদৌনা কাগনি। লাংশিন্নগনি, পৈশা খোমগনি, পৱার পায়গনি হায়বদি দিৱালি-লক্ষ্মী-পুলিস হায়বসি ফোর্মুলা অদুনি। মতমগী লাই নীংবা খূৎনীংদুনি। লৈবাক্কী খঙদে, মীয়ামগী খঙদে পৈশাগী খঙই হায়বনি। ইনফরিয়ারগী লাই লাৎপশিং কিনবা শুপরিয়ার বোম্বুলা থাগৎলিসিনি। ৱাখলগী লাল্লোং অমনি, লাইনীংগী লাল্লোং অমনি। লাইনীং শন্দোকপদা লৈঙাক্কী পৱার শীজিন্নবা ঙম্নবদুনি। লাইনীং শন্দোকপদা নহাশিং য়াওহন্দবা য়াদে। চাহনগনি, থকহনগনি, হরাউহনগনি, মী ওইনদি শেন্বা য়াদে, ভোট লেপকেকাক হায়রক্কনি। মদুদি ইচাগী কোটানি, মীশিংসি পংশিং শিংহনবা য়াবা নত্তে। মসিবু লৈবাক শেন্বা কৌই, খূৎশেম-খূৎশেমদুগী ৱানি। অশেংবদুদি হায়দোকপা য়াবা নত্তে, নিংথৌ ওইববু হেক্তা লান্থোকখিবা য়ারিব্রা। মনুংসু মপানসু ইখঙ খঙনবা ৱানি।

লৈবাক অমা শেমগে হায়রবদি লাই নীংনদ্রবদি য়াদৌ মাল্লক্তরে। লাই নীংবদি হৈত্রিবা, লাই থাজবা মীদি য়াল্লিবা হায়বা তারে। মসি ফাওবদা মী খোমজিনবা হৈত্রিবসি লুরিবা অমনি। ক্ষেত্রি পীজরগা খোমখিবা, শা চামিন্নরগা খোমজিন্নখিবা ময়ামগী মতুংদা লাইবৌ শারগা খোমজিনবদা মপূং ফাবা ঙমগদৌরিব্রা হায়নবসু লৈ। লাইবৌ শাবদি পাফল শান্নবনি, থৱায় হাপ্পা তারকপদুনি। পেনাগী চৈজিংদা থাঙনা কনা, তানা কনা থেনগৌরোলবু চোঙবা ঙম্বা তান্নরকপা উরকপদুনি।

লাইরেলগী মখয়াৎনা শেন্দ্রাংগী মখয়াৎ শারগা মীগী শাইজিন্দা তোংলগা খোংবনা ইয়ুম মৈ চাকপা কনবা ঙমগদৌবদি লৈতে।